হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওক্টোবর ২৮, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২১৩শুবা মশীং


# পেন্দমিক অমসুং ইলেক্সন

## য়াইরোংনা য়াইরোং, শবিরাইনা শবিরাই

মমাঙ চহী ২০২০গী মার্চকী অরোইবা শরুক্তগী মায়োক্নরক্লিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি ষ্টেটসিদা মরূ-ফংনা মূত্থৎপা ঙম্বা হায়বদুমক ওইদ্রি। হৌজিক ফাওবদা মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগা য়েক্নরিবা তমথীরবা পেন্দমিক অসি লায়না মখাক, লাইমন মখাক ওইরি। মণিপুরগী লৈমায়দগী শিং-নান্না কোকথোক-চামথোকখিবমক থোকহনবা ঙমদ্রি। লায়নাসিদগী ঙাকথোক্নবগী হৌজিক ফাওবদা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে ওইরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী অমা লৈত্রি। অদুবু পাম্বেসি শীজিন্নরবা ফাওবদা অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজগী হীদাক কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মরক্তসু কো-মোর্বিদিটিজ থোকহন্দুনা অশিবগী খায়াৎতা চোঙশিন্নরি। অদুবু লৈঙাক অমসুং মীয়াম্না খূৎশম্নদুনা হোৎনমিন্নরকপদগী হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি ষ্টেটসিদা খাঙেনফমদা থাংদোক্তুনা থম্বা ফাওবদি ঙম্লে হায়নীংই। অদুবু পূক্লিং পেন্না লূমদ্রিবনা চেকশিনফম থোকপশিংদা পূক্লিং চঙখিবা তারি, ঙাক্না-ইন্দুনা চৎকদবশিং থাদোকপা য়াদ্রি। পোজিটিভ ওইবগী মশীং হন্থরকপা অমসুং পোজিটিভিটিগী রেট নেম্লকপগী হৌনবা তোঙান-তোঙানবা থবক-থৌরমশিংদা কোমথোকপা খরা লৈরগসু নুমিদাংগী মতমদা মণিপুর পূম্বদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লি। মহেশঙশিং মহৌশাগুম্না হাংদোক্ত্রি। ইশম শম্না মীয়াম পূনবা, তিনবা থবক-থৌরমশিংদা অয়াবা পীদ্রি। য়ূমদগী মপান হেক থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্তবা য়াদ্রি। মী অমগা অমগগী মরক্তা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা য়াদ্রি। মায়োক্নরিবা ফীভমশিং অসিগী মথক্তা হৌজিক নীংথমথা চঙশিল্লকপদগী পেন্দমিক অসিগী অহুমশুবা ৱেভ অমুক মায়োক্নরক্কদ্রা হায়বগী মিপাইবসু লৈরিবনি।

অদুবু চৈরকসিদা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লি অসিগী মপুন্সি লোইশিল্লক্লবনা অনৌবা ১২শুবা মীখল পাঙথোক্তবা য়ারক্ত্রে। মার্চ ১৯, ২০২২গী মমাঙদা শোয়দনা পাঙথোক্লগনি। মসিগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) অমসুং চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লেপ্তুনা লৌখৎলক্লি। অদুগা লৈঙাক পায়বা-পায়দবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, মখোয়না স্পোন্সর তৌগদবা মীরেপশিং অমসুং ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংনা ইলেক্সনগী অকনবা কেম্প্যেনশিং চথনরক্লি। ইলেক্সন হায়বসিদি মীশিং য়াম্বা (মেজোরিটি) দা য়ূম্ফম ওইবনি। মসিগী কেম্প্যেনশিংদসু য়ারিবমখৈ মীয়াম তিলহন্নবা হোৎনরকই। বুঠ লেভেল মীটিংদগী হৌরগা অতোপ্পা পার্টিদগী চোঙশিল্লকপশিংবু তরাম্না ওকপা, ভোটরশিং খোমজিন-তাশিনবা, মীয়াম ভোটরশিংদা শেল নৎত্রগা পোৎলমগী খুদোংচাবা য়েন্থোকপা অমসুং ইলেক্সনগা মরী লৈনবা মীফম কয়াদা মীয়াম পুলহল্লকই। অদুবু হায়রিবা মীখল মমাঙগী ওইবা অমসুং মসিগা মরী লৈনবা থবকশিং অসিদি পেন্দমিক অসিদগী ঙাকথোকহৌবা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রিবা, ঙাক্না চৎতবা য়াদ্রিবা এপ্রোপ্রিএট কোভিদ বিহেবিয়র, ষ্টেন্দর্দ ওপরেসনেল প্রোসিজর (এস ও পি) শিংগা য়েংনরুরবদি মথক-মখা থোক ওন্থোকপা, ওন্ন-তৈনবা থৌদৌ ঙাক্তনি।

মপান্দগী নেসনল পার্টিশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং লাকপা অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনচিংবা লাকপদগা তিল্লিবা মীয়ামসি পৌ নমদে হায়বখক্তা থোক্লিবনি। অদুম ওইনমক পাঙথোক্লগদৌরিবা মীখলসিগী মাঙওইনবা থবক-থৌরমশিং অসিদা চুম্না এস ও পি ঙাক্তুনা চৎপীয়ু হায়দুনা আপীল তৌবদগী হেন্দোরক্তুনা লায়নাসি অমনা অমদা শন্দোরকহন্দনবগী অকনবা পাদম অমা লাক্ত্রিবসিবু য়াইরোংনা য়াইরোং, শবিরাইনা শবিরাই হায়বদুগী ফীভমদা ওইরসনু হায়দুনা কাও থাবদৌনা থাদোক্লব্রা? মসিদি চুমদে। থা খরগী মমাঙদা ৱেষ্ট বেঙ্গল য়াওনা ষ্টেট খরগী এসেমব্লিগী য়াওনা বাই-ইলেক্সনশিং পাঙথোকখ্রবা মতুংদা থেংনখিবা ফীভমদু কাউথোকপা চুন্লোই। ইলেক্সন অসিসু পাঙথোক্তবা য়াদবদগী শোয়দনা পাঙথোক্লগদবনি। মসি ওইরগদি লিনসু শিনবা, চৈশুসু তেক্তনবা মেকানিজম অমা ঈ সী আই, সী ঈ ও (মণিপুর) অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না থেংথদ্রিঙৈদা পুথোকহৌদুনা থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহৌনবা হোৎনফম থোকই হায়নীংই। হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না শিহনবা মীশিং ২০০০ য়ৌশিল্লক্লবনি। মসি খন্থরগা পূম্নমক্না থবক তৌবা চংই নৎত্রবদি য়াম্না ৱানা হোৎনজদুনা তপ্না-তপ্না কাখৎলক্লিবা অশি-কোমসিদা অমুক হন্না ঙক য়ৌনা পুথবগী থৌদোক মায়োক্নরক্কনি। থবকসি হান্নদৌনা লৈঙাক খক্তদা ইন্থোকপসু চুন্লোই। ষ্টেটসিদা লৈমিন্নরিবা মীপূম খুদিংমক্না ৱাখল তামিন্নদুনা চেকশিন থৌরাংশিং চপ-চানা লৌখৎহৌগদবনি। মসি নৎত্রগদি শগোল হঞ্জিন কৈনা চায় হায়বদু তারক্কনি হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮

১) ***‘‘জাতি কৌবী শকহেনবী/লৈরাংলক্তগী অথোইবী/পাম্মুবৈ চেংলৌ উবরা/নুজা ঐঙোন্দা তম্মুবা’’*** হায়বা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরিবা অরিবা ঈশৈ অসিগী শৈরেংবা কনানো অমসুং করি দ্রামাদা শকখিবা ঈশৈনো?

২) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরম্বশিংদগী খনগৎলগা মণিপুরীদা হন্দোক্লগা পুথোরকপা **‘‘রবীন্দ্র লৈচল’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অফোঙবগী মমিং হায়য়ু।

৩) ***‘‘ইফেল টৱার মখোঙদা কংলৈ থোকপা’’*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***‘‘লম অসিদা লৈবা মরু মরু ওইবা চীংশিং অসিগী মরমদা তোপ্না তোপ্না ইরম্বা লাইরিক কয়া থেংনজে।’’*** অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসিদগী খরমখৈ পুনশিল্লগা পুথোরকপা লাইরিক অদু করি লাইরিকনো?

৫) ***‘‘লৈপাক্কী মুর্তি’’*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৪৯

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পুন্সিদা হক্তুনা লৈখিবমক নৎত্রবসু, থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক, হায়না-ঙাঙনখিবা, শকখঙ-মায়খঙনবা নৎত্রবসু নোংফাদোক থেংনখিবদা উনখিবদা শানখিবা ৱারী ৱাখোঙশিং লোইনমক নৎত্রবসু কাবক-কাবক্তি হৌজিকসু নীংশিংলি। নীংশিংলুবা খুদিংমক পূক্লিংসি নুংওল্লি। কাউথোক্কে হায়না খনবা কয়া অমসু কৈদৌনুংদা কাউবা ঙমদে, অদুনবু হায়নরিবনি, কাউগে খল্লগা হেন্না হেন্না নীংশিংবা হেল্লি হায়না। মসি অচুম্বনি, অঙাং ওইরিঙৈদগীনা ঙরাং ফাওবগী মনুংদা লৈখিবা পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াশিংগী নুংঙাইবা, অৱাবা ৱারী কয়া তূমিন্না লৈরিঙৈ, পোত্থারিঙৈদা হেক হেক নীংশিংলকই ময়েক লানা। নীংশিংবসিগী নাতৈ চাদবা কয়া অমসু লৈ। মী চিনখ্রবা মফম, করিগুম্বা অমা নুংঙাইনা তারিঙৈ, য়েংলিঙৈ, মী অতোপ্পা অমগা ৱারী শানরিঙৈ মতমদসু নীংশিংবা হায়বসিনবু লাক্লবদি হেক্তা মাঙদা শং শং থোরকই। মসিদি কৈদৌনুংদা কনানসু থিংবা ঙমদে।

ঐনা শুমাং লীলা য়াওবা হৌরকপদগী থেংনরকখিবা মীশিং অসি অসুক্কী মতিক য়াম্মী। লীলা য়াওমিন্নখিবা কয়া অমসু নীংশিংলি। লৈখিদবা কয়া অমসু য়াওখ্রে। হিংলিবা কয়া অমসু লৈরি। মখোয় মখোয়গী পুকচেল, মখোয়গী মথম্মোয়, মখোয়গী থৌদাং খোগোপ্পা কাউবা লৈত্রি। ময়াম অসিগী মনুংদা ফোং ফোং শারিবা অমা হায়বা তারবদি হন্দক্তা লৈখিদবা শৈশকপা নবা চাকথেকপী হায়বসিসু অমনি। মহাক্না লোয়নরকপগী ৱারীসিদি অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈখ্রে। মহাক অসি মীওং অমনি। মী পিকচবগী ৱানি, মবুকচেল য়াম্না চাউই। মহাক লৈতবা লায়রবশিংগী মনুং চন্না খূৎ থেকপা য়ারবা মীশক অমনি। অদুবু মীগী অৱাবসু অঙকপা ফংনা উবা মীশকনি। অদুবু মখোয় খুদিংতগী অৱাবদা স্যের তৌরকখিবা মীশক অমা ওইখি। ঐগা মাগসি য়াম্না লুনা লোয়নৈ। লীলা হল্লকমিন্নে, লীলা মফম য়ৌরবসু থাদোক্লদে। অয়াম্বা মতমদা মহাক্না লোয়নদুনতা লৈখি। মরক অমা মাসি ক্বা জরদাসি য়াম্না চাখি। ঐদি ক্বা চাদে। অদুনা ইবানি ৱারী শাবসি মাগী জরদা মনমদু ঐনা য়াম্না হৈনখিদে। মদু মাসু খঙই, অদুনা য়ারিমখৈ ঐঙোন্দা ওনশিল্লগা ৱারী শানদে। পৈথোক পৈথোক্লগা মশানা খঙনা ৱারী শাই।

য়াম্না নুংঙাইবা থৌদোক অমা নীংশিংলকই। মহাকসি তোলোপ চাবা থবক অমা তৌনবা কন্না হোৎনৈ। মাদি মীঙোন্দা হায়জ-নোঞ্জবসু তনবা মী নত্তে। ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হায়বা খায়দোক্ত্রিঙৈগী মতমগী ৱানি। সেন্ট্রেল এস পি হায়দুনা ফম অমনা অসুক চাওখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসি পুরম্মী। পুকচেল য়াম্না চাউবা মীশকনি। মহাক্না নবসি কন্ট্রেক্ট ওইনা তৌবা থবক অমা হাপ্পী। ওফিসকী ওইবা থবক থানা চেন্নবনি। অদুবু মী লৈরক্তবা মতমদা মহাক য়ুনিফোর্ম শেৎলগা দ্যুটি তৌবা য়াওখি। মানা দ্যুটি তৌবদু ঐদি য়াম্না নোকনীংখি। মী পিকখ্রবা ফীট শুদবা মানা দ্যুটিনি গাইনা থানা ৱাঙ চাওখ্রবা ময়ামদুগী মরক্তা য়েপ্তুনা য়াওরম্বসি য়াম নোক্লিংই। লীলা কাঙবুগী শাথীরিসি লীলা চত্তবা য়াদবসিনি। ঐসু মমাঙঙৈ থবক তৌরিঙৈ মতমদা অহানবা ওইনা আর এম সী হোস্পিটাল হায়রিঙৈদা ও পি দিগী টিকেট কক্তুনা য়েংবা হৌরকপা মতম অদুদা নাইট দ্যুটি তাহনখি। মদু ঐঙোন্দদি য়াম্না তায়ওন্নবনি। অদুনা ঐনা মী অমা অমুক নেক্তুনা দ্যুটিদু পুহল্লি। অদুগা ঐনা লীলা চৎলি। লীলা হল্লক্লগা, থেংনা য়ূমদা হন্দনা ওফিস দ্যুটি তারিবদুদা চৎলি। অদুগা মীদু অমুক তূমহল্লি, ঐনা অমুক অনাবশিংগী টিকেট ককপা তৌখি। য়াম্না ৱাখি। সিগী মতমসিদা নবসি নাইট দ্যুটি তাথোকখ্রে। মাসু মী মহুৎ হেক হেক শিল্লগা মানা লীলা চৎপনি। অদুবু নুমিৎতুমদি অচৌ অশাং লাক্লগা মা লৈরমদ্রদি ফরক তারনি হায়দুনা য়াখিদে। সোমদদি লীলা চৎতবা য়াদবনি। মাদি চৎপা ঙম্লরোই হায়রে। অদুদি কমদৌবা তারে খন্নরিঙৈদা পুং আ! য়ৌনা তাখ্রে। মমৈথংদা পাম্বে লৈতদুনা কেসেট ওইনা পুরে। ঙসি নোংমগী পাঙনবা তৌরসি হায়না। লীলা মফম য়ৌরে। লীলা কৌরিবশিংদুদা ফজনা ৱারীদু শারে। মখোয়দি য়ারে। অদুবু হোরেন মীয়াম্না করি হায়গদগে হায়বা অদুদি খঙদ্রে। লীলা হৌরে। ঈশৈগী মতাং য়ৌরকপদা কেসেট থারগা খোংলকপদুদা অয়েংবশিংনা মৈ হৌনা শাউখি। লীলা কায়খি। ৱারীদু ফজনা লীরবা মতুংদা কোন্না য়াবীদুনা লীলাদুবুদি উৎখি। মসিদা থমজনীংলিবসি, মহাক্কী মীয়াম্না পাম্নবা, মা অমা য়াওদবদা থেংনখিবা অৱাবা কয়া অদুনি। ঐখোয়গী লীলাদা নবনা লৌখিবা থৌদাং অসি কয়াদা চাউখ্রবনো? মহাকসি মীয়াম্না অসুক্কী মতিক পাম্মী। মাগী ঈশৈ তারগা মাগী মতৌদবু য়েংগে হায়দুনা লাক্লবা কয়া অমা য়াওরিবনি। মানা হারমনিয়ম পায়দুনা ঈশৈ শকপসি য়াম্না য়েংবা নুংঙাইবনি। মশা নোম-নোমদুনা ঈশৈ শক্লকপদা ময়ামগী মীৎয়েংফম ওইখিবনি। মাসু মঙোন্দা মীনা য়েংলক্লে খঙলবদি খরা অমুক হেঞ্জিন্না মুদ পীরিবনি ময়ামদা।

ঐসি নুমিদাংদা মীৎসি কয়া নুংঙাইতে। অমম্বসি য়াম্না হৈনদে। অদুনা নুমিদাংসি মানা ঐগী খূৎসি শন্নগা চৎমিন্নে। লম্বীদা কোমকুৎ লৈরে, লৈখোম লৈরে, নূঙ লৈরে হায়বসি মানা মীৎতাংবা মীশক অমদা হায়বগুম্না ঐঙোন্দা হায়দৌরিনি। ঐবু য়াম্না ক্যের লৌবীরকখিবা মীশকনি। ঐনা অদুগুম্বা তাঞ্জাদুদা মাবু হেক হেক কৌগনি। মানসু ঐগী নাক্তা অদুম চঙশিল্লক্লগা ঐগী খূৎ পায়দুনা শম্বীগনি। লীলা মফমদা অহিং লেকপা তারবসু ঐগা অদুম তূমিন্নে। মাদি থোইদোক্না মাগী তূমফমনি হায়না শেমদে, মীয়ামগী তূম্ফম অমদা মশাদু খরগা পিকপনে, থেকচিল্লগা হেক্তা নাখোক্তুনা তূমখি। তূম্বা-চাবা ফবা মীনি, থোইনা নাদে। অদুগা লীলা চৎপদা অঙৈংবা খাঙনবা থোইনা অরুম্বা ফি-রোল পুবসু তৌদে। কম্বল মচা অমা মাগী টৱা বেগ মচা অমা লৈ মদুদা হাপ্পী, অদুসু কোন্নথংগী ৱানি, হান্নদি করিমত্তা পুবা নত্তে। ঐসু কয়া পুগন্দে। অদুনা অহিং লেকপা তারে হায়রদি কনাদগীনো ফি হেক্তা ৱাইদুনা পুরক্লগা লাকই। অদুগা অয়াম্বা মতমদা ইবানি অদুম তূমিন্নে। মাদি কাংশোইগুম্বসি য়াম্না চাবা পাম্মী। ময়ূমদসু কাংশোইসি য়াম্না তোয়না থোংই। ঐগী পুন্সিদা কাউবা ঙমদবা অমা লৈখি, কুইরবগী ৱানি, ১৯৮০ হৌরকপদনি। মখোয়দা চাক চাসি হায়না চাই। নুমিত্তুগী এঞ্জাংদু কাংশোই অমগা কাংহৌনে, য়োংচাক শিংজু অমনে ওইখি। কাংশোইদু কাউদ্রি, কেঙোইগা ফাবৌঙা অয়াইবগা থোংবা কাংশোইনি। ঐদি কাংশোইসি চাবুদি চাই হায়বু কয়াদি খোইদাদে। অদুবু নুমিৎতুমদি য়াম্না হাওখি।

থৌদোক অমনা ঐখোয়গী পার্টিগী ৱারেপ অমা লৈ। লীলা চৎপদা, লাকপদা য়ু থকপা য়াদবা, হেক থক্লবদি ফাইন লৌবা হায়না। ফাইনসি য়াম্না য়াম্মী। নোংমদুগী ফংগদবা শেনফমগী তঙ্খাই অমা কক্কদবনি। মী খরদি মদু য়াখিদে। অদুবু ঐখোয় খরা অমদি মদু থৌওইনা তৌরিবনিনা য়াম্না সেরিয়স ওইখি। য়ু থকপসি কনানা কমাইনা য়েংশিনগনি হায়বা অসিদা মহাকসি ঐখোয়না খনখি। য়াম্না নোক্লিংবা টর্ম অমা ঐখোয়না শীজিন্নে। মহাকসি *ইন্সপেক্টর নবা* হায়না কৌরগা মানা রিপোর্ট অমা হোরেল লীলা লোইরগা ঐঙোন্দা পীশিল্লক্কদবনি। মদুগী মতুংইন্না ফাইনসি কক্কদৌরিবনি। মতমদু ঐনা সেক্রেটরিনি। লীলা মফম হেক য়ৌবগা নবনা মীশিংসি মপান থোকখ্রগা কাই কাইদা চৎলি, কনাগা উনৈ, করি তৌই হায়বসি লোন্না মতুং ইন্ন-ইন্নদুনা মানা চ্যেক তৌদৌরিনি। য়ু থকফমদা মতুং ইন্নরগা য়ু গ্লাস পায়রগা লেপচিং ওইনা চিংগে তৌরিঙৈদা নবনা *‘‘কৈদৌরিনো?’’* হায়না হংবদা খংপ্রেক খংদুনা য়ু গ্লাসতু থাদদুনা নোক্লগা *‘‘থক্কে তৌবনি থকপদি থকত্রি’’* হায়না হনমিন্নরকখিবসু য়াওরিবনি। য়াম্না নোক্লিংবা ময়াম অমা পার্টি মনুংদা থোকখি। অদুনা *ইন্সপেক্টর নব*সি ময়াম্না য়াম্না কিনৈ। থক্লবসু মানা খঙখ্রদি ফাইন ককখিনি হায়না য়াম্না চেকশিন্নে। তৌবগীসু মানা হেক থেংনরবা, চে অমদা মীদুগী মমিংগা লোয়ননা রিপোর্ট অমা ইরগা পীশিল্লক্কনি। মদুগী বেসিসতা ফাইন লৌদৌরিবনি। মদুদা য়াম্না শাউনখি। ৱানা অহিং তূমদখৈ চৎলুরগা শেল তঙ্খাই অমা ফাইন ককপা হায়বসি কনানা পামদৌরিনো ? অদুনা ঐঙোন্দা অমদি নবদা মী খরনা শাওখিবনি। মোইনা ঙাওবসু নত্তনা কৈদৌ ককতৌরিনো? হায়না য়াম্না অর্গ্যুমেন্ট তৌখি। মদু ঐনা তাখিদে। অদুম ককখি। মীশক মমিংদি পঞ্জররোই, আর্টিষ্ট অমদি *‘‘‘ফরে অদুদি হোরেনসু ঐ থক্কনি, হোরেনগীসু য়াওনা ককপীরো হায়না মাগী পীফম থোকপা শেল অদু পুল্লপ ঐঙোন্দা পীশিল্লম্লগা শাউনা চৎখিবসু য়াওখি’’* মতুংদদি ঐখোয়গী পার্টিদা য়ু থকপা য়াওরম্বশিংদু থকখিদে। ময়ূমদা হল্লগা থকপনা থকপনি, লীলা লাকপদা, লীলা মফমদা লোন্না থুপ্না তৌরম্বদু য়াম্না হন্থখি। আর্টিষ্টনা য়ু থকপসি ঐদি য়াম্না পামদে, অদুনা মসিগুম্বসি তৌদনবা তৌসি হায়বসিদা মহাক য়াম্না সপোর্ট তৌবীখিবনি। অফবা পুরক্লবা হোৎনবদা মহাক য়াম্না পামখি। আর্টিষ্টশিংবু মহাক্না য়াম্না ইকায়খুম্নখি। মথংদা খরগা অমুক পাউদমজরক্কে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৮৯

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ২৩, ২০১০ ইং :-** তাবদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা ‘অহলনা ৱারী শানসি হায়’ হায়দুনা ময়ূমদগী পুথোকখিবা মমা অমসুং মচানুপী অনীমক ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরমগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈবা মওংদা তমথীনা ফূরগা হাৎতোক্লগা থম্বীরম্লে। থৌদোক অসি লমশাং পুলিসকী মনুং চনবা ফয়েং মখা লৈকায়দা থোকখিবনি।

তমথীনা হাৎতোকপীরম্লবা মমা মচা অনী অদুদি ফয়েং মখা লৈকায়দগী অঙোম ওংবী চানবী (৩৬) অমসুং মচানুপী অঙোম ইবেমচা এলিয়জ মেনকা (১৭) নি। চানবীগী মপুরোইবা খোম্মে চহী খরগী মমাঙদা লৈখিদ্রবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবা খোম্মেগী ময়াম্বা অঙোম চাউবনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না খূৎলায় পায়বা মানবা মীওই অনীখক্না থা অসিগী ১২ অমসুং ১৩গী লোন্নবা অহিং নোংয়াই মতুংদা মমা মচাদু ‘অহলনা ৱারী শানসি হায়’ হায়না য়ূমদগী পুথোকখিবনি হায়রি।

কনাগুম্বা অমত্তদা হায়দোকপা য়ারোই হায়না চানবীগী পিক্লিবা মচা অহুমদা কিহল্লম্বদগী কনা অমত্তদা হায়দোকখিদে, থিবসু থিখিদে। অদুবু হল্লকমন্দবদগী থা অসিগী ১৫দগী থিবা হৌখি। অদুবু মরী মখোঙ অমত্তা ফংবা ঙমখিদে হায়না চাউবনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা য়ূমদগী নোংপোকলোমদা মিটর ৯০০ লোম লাপ্না ফয়েং চাক্লেবী তুরেল অমদি শম্বা লৌকোনগী লৌ লোকখ্রবা লৌফম অমগী চরূ মরক্তা মমা মচাদু শিরগা লৈরম্বদগী হঙ্গামগী ফার্ম তৌবা মীওই অমনা ষণ তানবা চৎপদা থেংনরকপনি হায়বা ৱাফমসু চাউবনা থল্লকখি।

লমশাং পুলিসকী ও সীনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মমা মচাদু তমথীনা ফূবিরবা মতুং রেপ তৌরগা হাৎপা মাল্লি হায়রি।

পাউমীশিংনা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা চানবীগী মচানুপী ইবেমচা এলিয়জ মেনকাগী মায়, খোঙ, ফৈগন অমসুং নঙ্গনগী শরুক্তা ফূবগী দাগফম লৈবা উরকখি। মশাদা শেৎলম্বা অঙাংবা মচুগী ফনেক, জর্সি অমসুং অপাবা ফুরিৎ ফিগাসু মফম চানা লৈরমদে। মমা মচা অনীমক নুমিৎ অদুমক্তদা হাৎতোক্লগা থল্লম্বা মাল্লি। হকচাং অনীমক পুমথবদা নত্তনা চানবীগী কোক অমসুং থবাক্কী শরুকশিং শা-উচেক্না চাবা হৌরম্লে।

চানবীগী মচা মঙাগী মনুংদা মচা অহল ইবোহল (১৯) খূৎলায় পায়বা গ্রুপ অমদা য়াওরম্বদগী মখা তানা য়াওরিব্রা-য়াওদ্রবরা হায়বা খঙখিদ্রে। কদায়দা লৈরিবনো হায়বসু খঙখিদ্রে হায়বা চাউবনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

লৈখিদ্রবী ইবেমচা এলিয়জ মেনকা অমদি হৌজিক য়ূমদা লৈহৌরিবা চহী ১৩ অমসুং চহী তরুকলোম শুরবী মনাওনুপী অনী অমসুং চহী মাপনলোম শুরবা মৌপ্বা অমা মখোয় মরিমক ফয়েং দোনবোস্কো স্কুলদা লাইরিক তম্বনি।

চানবি অঙ্গনৱাদিগী হেল্পর ওইনা থবক তৌবদা নত্তনা খৃষ্টান চৎপদগী য়ূমদোমপোক ওইনা তরক তরক লৈবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবী চানবীগী চহী মাপনলোমতা ঙাইরিবা মচানুপা তিংকুনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মমাগা মচেগা পুদুনা চৎখিবা মীওই অনী অদু মৈতৈ মাল্লি, নোংমৈদি পায়দে হায়রি।

মীওই অনী অদুগী মনুংদা অমদি জোগিং সর্ট লিৎলি, মকোক খুম্মী হায়না তিংকুনা ফোঙদোক্লদুনা মৈ লাক্লম্বদগী হেক মুৎখিবগা মীওই অনী অদুনা ঙাইহাক্তনি অহলগা ৱারী শানগদবনি হায়রগা পুখিবনি হায়রি।

মচে ইবেমচা এলিয়জ মেনকা লৈহৌরগা মহাক্না (তিংকুগা) চৎনবা হায়বদা অহলগা ৱারী শানগদবনা অঙাংদি নুংঙাইরোই হায়বদগী মচেগা মমাগা চৎমিন্নখিবনি হায়না তিংকুনা মখা তারকখি।

ময়ূমদগী নমদুনা পুবিখ্রগা মফি-মরোল খঙদবমখৈ তমথীবা মওংদা হাৎলগা থল্লম্ববু ফয়েং চীং খুনৌ চাওখৎ থৌরাং নুপী লূপ অমসুং ফয়েং মখা লৈকায় রুরেল দিভেলপমেন্ট এসোসিএসননা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অৱাবসু ফোঙদোরক্লি।

মীবু ৱায়েল বিচার তৌদনা মরাল ফোঙদোক্তনা অদুক তমথীনা হাৎপগী মরম মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা শেংদোরক্নবা আপীল তৌরক্লি।

মমা-মপা অমত্তা লৈজদ্রবা পিক্লিবা অঙাং অহুমগী য়েংদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি তোঙানবা লূপশিং অমসুং মীয়াম্না অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু লূপ অসিনা আপীল তৌরক্লি।

**জন্যুৱারী ২৩, ২০১০ ইং :-** মী ফারগা শেল তানবগী থৌওং (রেন্সম) অমদা গভর্ণমেন্ট কোলেজগী ওজা অমগী মচানুপা খূৎলায় পায়বা মশক খঙদবশিংনা ফারগা পুরুরে।

ইম্ফাল কোলেজগী জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্টকী হেদ ইরেংবম মমাঙ মখা লৈকায়দগী থিংবাইজম নবকুমারগী চহী ২০ রোম শুরবা মচানুপা আনন্দ ঙরাং নুমিদাং পুং ৫.৩০ রোম তাবদা ময়ূমগী মমাঙদা লৈবা লৈকায়গী পুখ্রি অচৌবা মপান্দগী খূৎলায় পায়বা মশক খঙদবশিংনা য়ূম্নাম খুনৌ ফাওরগা কৈনৌ লম্বী তাকপীয়ু হায়না কৌরগা পুখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ফারুরবা আনন্দনা পাউমী কাঙবু অমদা হায়খি, লৈকায়গী পুখ্রি অদুগা নক্লনা লৈবা য়ূম অমদা লুহোংবগী (নুপী ময়ূম) চরাংনরিঙৈ মশক খঙদবা নহা অনী লাক্লগা লম্বী তাক্লবা ৱাফম হৌদোরকখি। মখোয় অনীগা লোয়ননা খুজাইরোক তুরেল হেক কুমথবগা হান্ননা লৈরম্বা মীওই খরনা তুংলোমদগী খোঙপাক্না কাওরকপদগী তুরিঙৈদা ফিনা মায়, মীৎ খুমজিল্লগা পুরকখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হঙ্গাম হৌবা লৌকোন অমা য়ৌশিল্লকপদা মম্লে অমদি মফম অদুদা খুল্লম্বা ফি হাংদোকখি অমদি লাপ্তক্না লম্বী অমদি লৈ হায়বা গাড়ী পরেং পরেং লাকপদগী খঙখি। অদুবু মখোয় অনীনা শেন্নরগা অতোপ্পা মীওই মরি অমনা মোবাইল ফোনদা গাড়ী থারক্লবা ৱারী শানবা তাখি। মফম অদুদা ইশানা লিৎলকপা মোজা ফুরিৎ মতৎ অনী থোক্না শেগাইরগা অমনা খূৎ অনীমক মাঙলোমদা পুনখি অদুগা অতোপ্পা অদুনা চিন্দা লাকশিনখি।

মখোয়গী মরক্তগী অমনা অপোকপী অমদি অপোকপগী মোবাইল ফোন নম্বর হংলকখি অদুবু খঙদে হায়না খুমখি। তুংদা মীওই অদুনা ইশাদা য়াওবা মোবাইল ফোন লৌখ্রগা সিম কার্দ লৌথোক্তুনা অতোপ্পা ফোন অমদা হাপচিনখি। ‘পাপা’ হায়না থাবা কন্টেক্ট নম্বরদা দাইল তৌরগা অতোপ্পগা ৱারী শানহনখি। মখোয়না নমদুনা ‘লুপা লাখ মঙা থৌরাং তৌ, ঐ মী ৩/৪না ফারে, পৈশা শুরগা ফোন তৌরকউ’ হায়হনখি।

শোমদনা আনন্দগী অপোকপা নবকুমারনা মফম হংলুবদা ফোন মুত্থৎখ্রবা মতুংদা স্বিটচ ওফ তৌশিনখ্রে হায়রি। মী ফাবশিং অদুগী মরক্তগী মখোয় মরিনা মোবাইল ফোনদা মথৌ চিন্নরিঙৈ মহাকপু শেন্নরিবা মীওই অনী অদুগী অচেংবা তাঞ্জা অমা য়েংলগা মাঙদা উরিবা লম্বী অদু তম্না মখূৎ অমদি মচিন পূন্না পূন্না চেল্লকখি। লৈহৌরিবশিং অদুনা নোংমৈ কাপকনি হায়না কিহল্লকপা তাদনা চেল্লকখি।

লম্বী য়ৌরকপদা তান চান্ননা ময়ূম মনাক্তা পাঙথোকহৌবা ঙাকচৌপোকপীদা থিনগদবা নুপী ময়ূমগী কাঙবু থেংনবদগী ভেন অমদা হাপ্লগা পুরকপনি। আনন্দসু নুপী (কৈন্য) থিনবা কাঙবু অদুগা ঙাকচৌপোকপী তান্না চৎখি। অদুবু মী ফাবশিং অদুনা তান্নরকপা য়াই হায়না খনবদগী তোঙানবা য়ূম অমদা শেন্নরগা লৈখি।

আনন্দ থেংনবা মফম অদু ইম্ফাল-চুড়াচান্দপুর লম্বীগী ওইনাম অমসুং য়ূম্নাম খুনৌ লোন্নবা হৈবী মখোঙ হায়না খঙনবা লম্মাং ওইনা তৌই। মমৈথংদা লোকল এম এল এ (ওইনাম এ সীগী) ডাক্টর ইরেংবম ইবোহলবী অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিং চঙশিল্লগা আনন্দবু ময়ূম তান্না থিল্লকখি হায়রি।

লুহোংবা থিনবা য়াওবা বস অমদা মশক খঙদবা নহা অনীনা নমদুনা খাম্লগা তোংখৎলকপগী মথক্তা হোন্দা এক্টিভা অমা হঙ্গৎ হন্দা বস অদু তান্ন-তান্নদুনা থৌদুনা লৈখি হায়রি।

বস তোংখৎলকপা নহা অনী অদু খ্বাইরাকপমদা লৈহৌখি অমদি জীপসি অমসু খামহৌই। অঙৌবা মচুগী জীপসি অদু মী ফাবশিংগা অতোপ্পা কাঙবু অমনা শীজিন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনৈ। জীপসি অদুমক আনন্দ ফাখিবগা ইকান কান্নদনা ইরেংবম কাংজৈবুংদগী লাইটখক্তমক থাল্লগা ওইনামলোমদা কন্না থৌদোকখিবা উনহৌইসু হায়রি।

আনন্দগী অপোকপা নবকুমারনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্নদি মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা লালহৌলূপ কে সী পি (এম সী) লময়ানবা খুমন গ্রুপকী লুপা লাখ ৫গী দিমান্দ নোট অমা তৌরকপা লৈ। মসিগা ইকান কান্নদনা প্রিন্সিপাল য়াওনা ওজাশিংদা লুপা লাখ ১০/১০ পীগদবনি হায়বগী দিমান্দ নোটশিং পীরকপদা মশাসু ফংখি। শেনখায়গী ৱাফম অদুদি য়ানখ্রে অদুবু ইচা ফারিবা অসি অদুগা মরী লৈনরমগদ্রা হায়বা অদুদি খঙদ্রে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, থৌদোক অদুগী মতাংদা ইরেংবম কাংজৈবুংদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমনা ইরেংবম খুলদা নুমিদাং পুং ৬তগী অয়ূক পুং ৫ ফাওবা মীতোপ চঙহন্দবা হায়না ৱারেপ্লখ্রে।

থৌওংসি করম্বা লূপননো হায়বা অথুবা মতমদা শেংদোকপীরক্লবা হায়জবা অমদি য়ানীংদবা উৎপা ওইনা হয়েং ৱাকৎ মীফম ফম্বা হায়নসু য়ানখি। ●